ইরৈবাক

১৮ শুবা চহি ২৫৯ শুবা মশিং ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৬, ২০২০ মেরা ১০ নি পানবা নিংথৌকাবা www.ireibak.in লুপা ১.৬০

ফাইন থিহনখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ ঃ মনিপুর পুলিসকী মায়কৈদগী কোভিদ ১৯ গী লোকদাউন অমসুং কার্ফিয়ু থুগায়দুনা লম্বীদা ফেস মাস্ক উপ্তনা থোরকপা অমদি সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং ঙাক্তবা মীওইশিং ফাগৎপগী থবক লেপ্তনা চত্থরি। ওক্তোবর ২৫ গী ওইনা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমদগী মীওই ৩০১ ফাগৎলগা মতুং তৌদনবা ৱার্নিং পিরবা মতুং ফাইন ওইনা লুপা ৫৯,৭৪০ থিহল্লগা থাদোকখ্রে হায়রি। মনিপুর পুলিসকী আই জি পি (ওপস) ই প্রিয়োকুমারগী চেরোলদা পুলিসনা লৌখৎলিবা খোঙথাং অসি মীয়াম মরক্তা কোভিদ ১৯ লায়চৎ শন্দোরকপা থিংনবনি। মসিদা হায়বা ইন্দবশিং নেস্নেল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এক্টকী মখাদা দন্দি ফংনিংঙাই ওই হায়রি।

খুনিংদা শোকপদগী হোস্পিটালদা লায়েংনবা পুখৎলকপদা নুপী ১ লৈখিদবগী মায়োক্তা ৱাকৎ মীফম ফমখিবা

কোভিদনা শিখিবা ১৩৯ য়ৌখ্রে পোৎফম ফম্বী পোজিটিব ওইরকপদগী ক্বাকৈথেল বজার থিংজিনখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ ঃ হৌখিবা পুং ২৪ অসিগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টতগী মশাগী চহি ৭২ শুরবা নুপী অমা কোভিদনা মরম ওইরগা রিমসতা লৈখিদ্রে। নুপী অসি থারগা মনিপুরদা কোভিদনা শিখিবা মী মশিং ১৩৯ য়ৌখ্রে। অমরোমদা পুং ২৪ অসিগী মনুংদা নৌনা মীওই ১৪০ পোজিটিব ওইরে। পোজিটিব ওইরিবা মীওইশিং জেনরেল পোপুলেসনদগী নুপা ৭০, নুপী ৬৯, সেন্ত্রেল আর্মর্দ পুলিস ফোর্সতগী ২ নি। পোজিটিব কেসশিং অসি জেনিমসতা টেষ্ট তৌবদা ১৬, রিমসতা ৪১, গ্রেস নর্সিং হোমদা ১, কাংপোকপী ৪, চুরাচান্দপুর ৮, বিষ্ণুপুর ২, জিরিবাম ৪, ইম্ফাল ইষ্ট ১২, আর দি ৱিং ২, ইসেন্ট দাইগ্নোষ্টিক্স ৫, থৌবাল ৮, সিজ হোস্পিটাল ৬, সি এম সি ১, তমেংলোং ৫, এদভান্স হোস্পিটাল ৩, ববিনা দাইগ্নোষ্টিক্স ১৮, সেনাপতি ২, অমদি জিবন হোস্পিটাল ২ নি। জেনরেল পোপুলেসনগী পোজিটিব কেসশিং অসি ইম্ফাল ইষ্টতগী ৩৩, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী ৪৪, থৌবাল ২৪, জিরিবাম ৪, কাংপোকপি ৪, চুরাচান্দপুর ৯, তেংনৌপল ১, নোনে ১, বিষ্ণুপুর ৬, তমেংলোং ৬, চান্দেল ২, ককচিং ২, অমদি সেনাপতিদগী ২ নি। পোজিটিব কেসশিং অসি ত্রেভেল হিষ্ট্রি অমত্তা লৈতবা মীওই ঙাক্তনি। ঙসিগী ওইনা তোঙান তোঙানবা কোভিদ কেয়র সেন্টরদগী মীওই ১৩৮ দিসচার্জ তৌখ্রে। দিসচার্জ তৌখিবশিং সেন্ত্রেল আর্মর্দ পুলিস ফোর্সতগী ১৭, হোম আইসোলেসনদগী ৬, জেনিমস ৬, রিমস ৮, লম্ফেলখোংনাংখোং ৪, য়ুনাক্কো মৈত্রম ৩৩, লনভা ৩, সটভানা মান্দব ২, আর দি ৱিং ৪, জে এন ভি চান্দেল ২০, মোরে ২, উখ্রুল ১, বিষ্ণুপুর ২, বাল ভাবন ৪, সেনাপটি ৯, লমদিং ১১, থৌবাল ৬ নি।

কোভিদ ১৯ কম্মন কন্ত্রোল রুমদগী থাদোরকপা চেরোলদা ওক্তোবর ২৫ ফাওবদা মনিপুরগী অপুনবা কোভিদ পোজিটিব কেস ১৭১৬২ য়ৌখ্রে। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপুলেসনগী পোজিটিব কেস ১৪৪৫৪ নি। সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি পার্সোনেলদা ২৭০৮ নি। লায়েংবদগী ফদুনা দিসচার্জ তৌখিবা অপুনবা কোভিদ পেসেন্টনা ১২৮৫৭ নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপুলেসনগী ১০৪৪২, সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি পার্সোনেলদা ২৪১৫ নি। হৌজিক হৌজিক পোজিটিব ওইদুনা এক্টিবতা লৈরিবা কেস মশিংনা ৪১৬৬ নি। মসিগী মনুংদা জেনরেল পোপুলেসনগী ৩৮৭৭, সেন্ত্রেল সেক্যুরিতি পার্সোনেলদা ২৮৯ নি। রিকোভরি রেটনা চাদ ৭৪.৯১ ওইরি। মীয়াম্না লায়না লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা য়ুমদগী মপান থোকপদা তঙাইফদনা ফেস মাস্ক শিজিন্নবিয়ু। তোয়না খুৎ শা হামদোকপিবা অমদি সোসিয়েল দিষ্টেন্সিং ঙাক্না চৎপিয়ু হায়রি।

অমরোমদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী ক্বাকৈথেল বজারদা পোৎফম ফল্লিবশিংগী মনুংদা পোজিটিব ওইবা য়াওরকপদগী ওক্তোবর ২৫ দগী ক্বাকৈথেল বজার থিংজিনবগা লোয়ননা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না ক্বাকৈথেল বজার অসি কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাওথোকখ্রে। মখা তানা কৈথেলগী অকোয়বদা সেনিটাইজেসন তৌবগী থবক চত্থখ্রে। দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্কী থাংমৈবন্দগী লৈকায় অনিদা মীওই ৪৬ পোজিটিব ওইরে। পোজিটিব ওইরিবা মফম অসি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন্না লোকেলাইজ লোকদাউন চত্থদুনা লৈরিবা মফমনি। মফম অসিদা লৈরিবা মীওইশিং লৈঙাক্কী মায়কৈদগী হৌজিক ফাওবা তেংবাংগী পোৎলম অমত্তা ফংদনা লৈরি। লোকদাউননি হায়দুনা য়ুমদগী মপান থোকপা থিংদুনা থল্লগা নুংতিগী ইমুং মনুংগী চংবা পোৎলমশিং ফংনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইনরে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী তঙাইফদবা চাকখুমগী পোৎলমশিং অচা অথক অমদি থক্নবা ঈশিংনচিংবা ফংহনবগী থবক অমত্তা পায়খৎপা লৈতে।

থাংমৈবন্দ খোমদ্রাম সেলুংবা লৈকায়দা মীওই ৩২ অমদি লাইরেনহঙবা লৈকায়দা মীওই ১৪ পোজিটিব ওইদুনা লৈকায় অনিদা মীওই ৪৬ পোজিটিব ওইদুনা লৈরি। হৌজিক ফাওবদা পোজিটিব ওইবা মীওইশিং কোভিদ ১৯ গী সিম্পতোম উৎপা অমত্তা য়াওদে। লৈঙাক্কী মায়কৈদগী পোজিটিব ওইবশিং লৌখৎলগা কোভিদ কেয়র সেন্টরদা থম্বসু লৈতে। ময়ুম ময়ুমদা লৈরি। মসি খুদোংথিনিংঙাই ওই। পোজিটিব ওইবশিংগী মরক্তা য়ুম কা হেন্না পিকপা, তোঙান্না অতৈগা শোক্ল শম্নদনা লৈবগী খুদোংচাবা ফংদবা কয়া য়াওরি। লৈঙাক্না অথুবদা পোজিটিব ওইবশিং কোভিদ কেয়র সেন্টরদা থম্নবা থবক লৌখৎপিয়ু হায়রি।

মীয়াম্না ৱাখল তাদ্রবদি কোভিদ লায়চৎ লাকশিনবা ঙম্লোই

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ ঃ মালেমগী ওইনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক অসি ঙাকথোক্নবা মনিপুর লৈঙাক্না লেপ্তনা থবক পায়খৎলি। লায়চৎ অসি ঙাকথোক্নবা লৈঙাক্না লুপা লাখ কয়া থাদরগসু, এম এল এ ক্রোর অমা হেনবনা থবক তৌরগসু মীয়াম্না ৱাখল তাদ্রগদি লায়চৎ অসি লাকশিনবা ঙম্লোই হায়না এল দি এ গী চিয়ারমেন এম এল এ লৈশাংথেং সুশিন্দ্রোনা হায়খ্রে।

কোভিদ ১৯ ঙাকথোক্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থা অসিগী ৮ দা হৌদোকখিবা জন অন্দলোনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি খুরাই কেন্দ্রদা কেন্দ্র অসিগী এম এল এ সুশিন্দ্রোনা লুচিংদুনা লায়চৎ অসিগী মতাংদা মীয়ামদা এৱ্যারনেস পিবগী মীয়ামগী খোঙচৎ অমদা ফোংদোকখিবনি। মীয়ামগী খোঙচৎ অদু খুরাই পোপুলার হায়স্কুলদগী খুরাই লম্লোং কৈথেল ফাওবা চৎখি। তোঙান তোঙানবা ক্লবকী মীহুৎশিংসু শরুক য়াখি।

এম এল এ না হায়খিবদা হৌজিক ফাওবদা কোভিদ ১৯ লায়চৎ অসি ফহনবা ঙম্বা হীদাক পুথোক্ত্রি। মরম অদুনা মীয়াম্না লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা লৈঙাক্না পুথোক্লিবা কোভিদ ১৯ গী চৎন কাঙলোনশিং ঙাক্না চৎসি। কোভিদ লায়চত্তগী ঙাকথোক্নবা লৈঙাক্না হিরম কয়ামরুম থবক পায়খৎলগসু মীয়াম্না চৎন কাঙলোনশিংদু ঙাক্না চৎত্রবদি করিসু কান্নবা পুরক্লোই।

জন অন্দোলন কেম্পেইন অসি লায়চৎ অসিগী মতাংদা মীয়ামদা খংহন্নবনি। মসিদা মীয়াম্না ৱাখল খল্লুদ্রবদি কেম্পেইন অসি লিশিংরক চৎলবসু করিসু কান্নবা পুরক্লোই। মরম অদুনা তমথিরবা লায়চৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা লৈঙাক্না পিরিবা চৎন কাঙলোনশিংদু ৱাখল তামিন্নদুনা থবক ওইনা ওম্থোক্তুনা ঙাক্না চৎমিন্নবা পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়খি।

কাউন্সেল্লিং বোইকোট তৌরে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ ঃ ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি ওথোরিতিদা পাঙল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন দি এম য়ু না থাখিবা মতম লোইরবা ফাওবদা থমখিবা ৱাফম থবক্তা পাংথোরক্তবা অসিনা মরম ওইরগা য়ুনিভর্সিটি অসিগী গ্রেজুয়েট এদমিসন প্রোসেসশিং ওক্তোবর ২৬ তগী পাংথোক্নবা তৌরিবা কাউন্সেল্লিং বোইকোট তৌরে হায়রি। য়ুনিয়ন অসিনা তাল্লিবা দিমান্দশিং ফংদ্রি ফাওবা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিতিদা মখল খুদিংমক্কী এদমিসন প্রোসেস থিংজিল্লে। অথিংবা মরক্তা ওথোরিতিনা এদমিসন প্রোসেস চত্থরল্লবদি মদুদা থোরকপা অফ ফত্তগী দাইত্ব পুজগদবনি হায়রি।

নুপী অমা শিখিবগী মতাংদা ৱাবগাই লমখাইদা ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ ঃ ককচিং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ৱাবগাই লমখাইদা লৈবা সন হোস্পিটালদা ঙরাং অয়ুক পুং ৮.৩০ রোম তাবদা খোঙগী খুনিংদা শোকপদগী লায়েংনবা পুখৎখিবা চহি ৩৫ রোম শুরবা নুপী অমা দাক্তরনা মতম চানা লায়েংবিদবদগী লৈখিদবগী মতাংদা ঙসি ৱাইখোং বজারদা মীয়াম্না ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে। লাইবক থিবা থৌদোক অসিদা লৈখিদ্রবা মৌনহা অসিগী মমিং ইবেলৈশা লাইশ্রম চহি ৩৫ মপুরোইবা নিলকমল লাইশ্রম কৌই। লৈখিদ্রবা নুপী অসি মচানুপা ক্লাস নাইন তম্লিবা অমগা মচানুপী ক্লাস টু তম্লিবী অমগা হুন্দোক্লম্মী।

ঙসিগী ৱাকৎ মীফমদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা মরাল লৈবা দাক্তর চৈরাক পিয়ু। জেলদা থম্মু, মীহাৎপা দোক্তর পুথোকউ হায়বা প্লে কার্দ কয়া পায়খি। মীশি অসিবু য়ানিংদবা ফোংদুনা ৱাইখোংগী ক্লব ৬ কী মীহুৎশিং অমদি মৈরা পায়বী য়াওনা শেমখিবা জে এ সি গী মেম্বর হুইদ্রোম বি কে না ফোংদোরকপদা ইবেলৈশা লাইশ্রম টোইলেটতা তুশিনবদগী মখোং খুনিংদা শোক্তুনা ৱাবগাই লমখাইদা লৈবা সন হোস্পিটালদা পুখৎখিবনি। মফম অসিদা অহানবা লায়েং চত্থরবা মতুং অনাবগী ফিভম লুশিল্লক্লে লায়েংবা ঙম্লরোই হায়বদগী ককচিংদা লৈবা জিবন হোস্পিটালদা নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা হোস্পিটাল অসিদগী রিফর তৌরকপদগী লায়েংনবা পুখৎলকখি। অদুবু ইবেলৈশা জিবন হোস্পিটাল য়ৌবগা ইকুই কুইদনা শিরে হায়রকখি। মতৌ করম্না মশা করিসু তৌদবা মখোংদা খরা শোকপদগী পোথানবা হেস্পিটালদা পুখৎখিবা নুপী অমা করি করম্বা অনা লাইওংনা শিরিবনো? দোক্তরনা করম্বা মখলগী ত্রিটমেন্ট চত্থখি। করম্বা হিদাক থাবদগী লৈখিদবনো হায়বগী অশেংবা লংলা লংজিন পুথোকপিয়ু। দোক্তরনা মরাল লৈরম্লবদি মহাক্কী লাইসেন্স ককপিয়ু। কেস অসিগী মতাংদা ওক্তোবর ২৬ ফাওবগী মনুংদা অশেংবা লংলা লংজিন পুথোকপিদ্রবদি ৱাইখোং এরিয়াদা ওক্তোবর ২৬ কী নুমিদাংৱাইরমদগী বন্দ য়াওনা মখল মখা কয়াগী খোঙজং চংশিল্লগনি।

মীশি অসিগী মতাংদা অশেংবা তাকথোক্ত্রি ফাওবা অশিবা হকচাং ইমুং মনুংনা লৌরোই। কেস অসিগা মরি লৈননা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিং থোরকপা তারবদি মদুগী দাইত্ব খুদিংমক ৱাবগাই লমখাইদা লৈরিবা সন হোস্পিটালনা পুগদবনি হায়রি। নাকল অমরোমদা মীশি অসিগী মতাংদা ককচিং পুলিসনা কেস অমা রেজিষ্টার তৌখ্রে। হিরম অসিদা অচুম্বা পুথোক্নবা পুলিসকী মায়কৈদগী থিগৎলগনি হায়বগী থাজবা জে এ সি গী মীওইশিংদা পিরক্লে হায়রি।

অটসুমগী পুং ৪৮ গী বন্দ য়ানবা পুরকপদগী য়ৈথোকখ্রে কোভিদকী ৱানরিঙৈ মতমদা বন্দ তৌবা হায়বসি মতাং চাদে – ওর্গনাইজেসন

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ ঃ চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংদা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল (এ দি সি) মীখল মতম চানা পাংথোক্তবগী মায়োক্তা ওল ত্রাইবেল ষ্টুদেন্ট য়ুনিয়ন মনিপুর (অটসুম) না হয়েংদগী পুং ৪৮ গী ইন্টর ষ্টেট বন্দ তৌগনি হায়দুনা লাউথোকখিবা লৈঙাক্না য়ানবা পুরকপদগী হন্দোকখ্রে। নাকল অমরোমদা কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক্কী মীয়াম্না ৱানরবা মতম অসিদা বন্দ কৌবা অসি মরম চাদে। তমেংলোং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টতা পুং ৪৮ গী বন্দ অসি শৌগৎলোই হায়না রোংমৈ নাগা ষ্টুদেন্ট ওর্গনাইজেসন মনিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরিগী চেরোলদা হায়রি।

অটসুমগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খাইমিনলেন দেঙ্গেলগী চেরোলদা ঙসি মনিপুর লৈঙাক্কী মীহুৎকা অটসুমগী মীহুৎশিংগা ৱারী শান্নবদা লৈঙাক্কী মাইকৈদগী থাজবা পীরকপদগী হয়েংদগী পুং ৪৮ গী ইন্টর ষ্টেট বন্দ চত্থবগা লোইননা নেস্নেল প্রোজেক্টশিং পায়খৎলিবা অসিসু থিংজিনগনি হায়দুনা লাউথোকখিবা অদু হন্দোকলে। অটসুমগী মীহুৎশিংগা ঙসি লৈঙাক্না অনিরকশুবা ওইনা ৱারী শান্নবা অদুদা লৈঙাক্কী মাইকৈদগী এ দি সি মীখল অসি মতম চানা পাংথোক্নবা হোৎনগনি হায়বগী থাজবা পীরকপদগী বন্দগী খোঙজং অসি হন্দোকপনি হায়রি।

অমরোমদা রোংমৈ নাগা ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন মনিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোলদা কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক অসিনা চীং অমসুং তমগী মীয়াম অৱাবা মায়োক্নরি। কোভিদ ১৯ গী মতম শাংনা চত্থরকখিবা লোক দাউন মতুংদা মীওই লিশিং কয়ামরুমদা ষ্টেট অসিগী শেল থুমগী ফিভম অসিদা নোংমগী তঙাইফদবশিং অদু ফংনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্নরি। মরম অদুনা বন্দ অমদি নেস্নেল প্রোজেক্টশিং থিংবা অসিদা ওর্গনাইজেসন অসিনা শৌগৎলোই।

ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল ৬ কী মীখল পাংথোক্নবা অটসুম্না দিমান্দ তৌরিবাঅসি ওর্গনাইজেসন অসিনা শৌগৎলি। মনিপুর লৈঙাক্নসু মীয়ামগী ইন্টরেষ্টতা মনিপুর (হীল এরিয়াজ) দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল এক্ট ১৯৭১ গী মখাদা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মীখল অসি মতম চানা পাংথোকপিয়ু হায়রি।

পনবা য়াবদি ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মতম অসি হৌখিবা জুন থাদা লোইখ্রবনি। নোংগী ফিভমনা মতম লোইরবা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মীখল পাংথোক্নবা মতম লাউথোক্তনা লৈরিঙৈদা মালেমগী ওইনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইদুনা ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিলগী মীখল পাংথোকপগী মতম লৈঙাক্না লাউথোক্তনা লৈরকপদগী অটসুম্না মীখলগী মতম লাউথোক্নবা লৈঙাক্তা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

কোভিদনা ৱাহল্লিবশিংগী মনুংদা ভেন দ্রাইভরশিংনি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ ঃ কোভিদ ১৯ পেন্দেমিকনা খ্বাইদগী হেন্না ৱাহল্লিবশিংগী মনুংদা ভেন দ্রাইভর ওইদুনা স্কুলগী মহৈরোয় কয়াগী পুন্সিবু ঙাক শেনবিরম্বশিং অসিসু অমনি। ভেন দ্রাইভরশিং অসি কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক হেক হৌরকপদগী ইনকম অমা ফাওবা লাক্ত্রবনি। লৈঙাকসিনা মখোইবু হিংনবগী অখন্নবা থৌরাং অমা অথুবা মতমদা লৌখৎপিয়ু হায়না সোসিয়েল ৱার্কর ওইনাম রোমেননা হায়খ্রে।

নিউ দেভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন শিংজমৈনা সোসিয়েল ৱার্কর ওইনাম রোমেনগী স্পোন্সরসিপ মখাদা শিংজমৈ এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুংদা লৈবা স্কুল ভেন সার্ভিস তৌরগা হিংজরম্বা, কোভিদ ১৯ না হেন্না অৱাবা মায়োক্নহল্লিবা মীওই ১৩০ গী ইমুং মনুংদা চান থক্নবা য়াওনা শেলগী মতেং পিবা থৌরম ঙসি নুংথিল ওইনাম থিঙেল কম্যুনিতি হোল, শিংজমৈ ওইনাম থিঙেলদা পাংথোকপদা হায়খিবনি।

ওল মনিপুর স্কুল ষ্টুদেন্ট ত্রান্সপোর্ট এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট মাইবম কেনেদিনা হায়খিবদা স্কুল ভেন থৌরগা হিংজরিবশিংগী অৱাবা উবিদুনা সোসিয়েল ৱার্কর রোমেনগী মীৎয়েং মখাদা মীনুংশি উৎপিবসি পুক্নিং নুংশিবা ফাওই। কোভিদ ১৯ পেন্দেমিক্কী থা ৭ হেল্লকপসিদা ভেন থৌরগা হীংজরিবা ঐখোই অৱাবা মায়োক্নরে। লৈঙাক্না অখন্নবা থৌরাং লৌখৎপিয়ু। পেন্দেমিক মনুংসিদা লায়েংনবা শেল লৈতবদগী ভেন দ্রাইভর মঙা লৈখিদ্রে। অসিগুম্বা অৱাবশিং অসি উবিনবা লৈঙাক্কী পুক্নিং চিংশিনখি।

পাউমী ধিরাজদা এম এল এ য়াওনা শেল তেংবাঙখ্রে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ ঃ পাউমীগী মগুন অসি পৈশানা লেপ্পা য়াদে, মীয়ামদা ঈ পাউ ফংহল্লিবা অসি তোপ তোপ্পা মগুন অমনি হায়না হান্নগী মিনিষ্টর করাম শ্যামনা হায়খ্রে। কিদনি অনিমক নাদুনা লৈরিবা দিদিকে ইম্ফালগী ষ্ট্রিংগর, মোর্নিং বেলগী পাউমী কোইজম ধিরাজ চহি ৪৫ গী লায়েংবদা মতেং পাংননবা এম এল এ করাম শ্যাম্না লুপা ৫০,০০০ ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা খুৎশিন্নবগী থৌরমদা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

ঙসি এম এল এ করাম শ্যামনা শেনফম অদু খুৎশিন্নরদুনা পাউমীশিংনা ঈ পাউ ফংহনবদা নত্তনা লৌশিং ওইবা কয়াসু পিরি। পাউমীশিংনা ঈ পাউগী লমদা চেন চোংলিবা অসিগা ফংলিবা শেনফমগা চানবা য়াম্না ৱাৎলি। পাউমী অয়াম্বা চাদ ৯০ রোমদি শেল থুমগী ফিভম ফত্তে। পাউমীগী মমল য়াম্লবা পুন্সি কন্নবা মীয়াম্না অঙম্বা মতেং পাংবিয়ু। মীয়াম্না অঙম অঙম্বা মতেং পাংলগদি মমল য়াম্লবা মহাক্কী পুন্সি অসি কনবা ঙমগনি হায়বগী থাজবা অদু ফোংদোকখি।

অমরোমদা শিংজমৈ চীঙামথক্তা লৈবা রিলিফ সেন্টর ফোর দি ৱেলফেয়ার ওফ দিফরেন্টলি এবল পার্সন মনিপুরনসু ধিরাজদা শেলগী তেংবাং খুৎশিন্নখ্রে। শেলগী তেংবাঙ অদু ঙসি নুংথিল রিলিফ সেন্টরগী রিহেব্লিটেসন ওফিসার করনজিৎ, সেন্টর অসিগী প্রোগ্রাম মেনেজর প্রোমিয়র অমদি রিলিফ সেন্টরগী এদভাইজরসু ওইরিবা নহারোল থৌদাং পাউচেগী সব ইদিটর নিমোল নিঙোম্বনা লুচিংদুনা খুৎশিন্নখিবনি।

বি জে পি গী নেস্নেল লিদরনা ভোৎ খোমগদৌরি

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ ঃ মথং থা নভেম্বর ৭ তা মনিপুরগী কেন্দ্র মরিদা মরক্কী মীখল পাংথোক্তুনা ভোৎ থাদনগদৌরিবা অসিদা বি জে পি গী মীরেপশিং মায় পাকহন্নবগী মীখলগী পোরম য়াৎননবা বি জে পি গী নেস্নেল জেনরেল সেক্রেটরি ওইরিবা এম পি দিলিপ সাইক্য নুমিৎ মরিনিগী খোঙচত্তা ঙসি ইম্ফালদা থুংলখ্রে। মহাক্না ইম্ফালদা থুংলবগা নুংথিলদা চিফ মিনিষ্টরগী বঙ্গলোদা বি জে পি মনিপুর প্রদেশকী ওফিস বিয়াররশিং অমদি চিফ স্পোক্সপার্সন য়াওনা মীফম পাংথোককখি হায়রি।

ঙসি অয়ুক পুং ১১ রোম তাবদা নেস্নেল জেনরেল সেক্রেটরি দিলিপ সাইক্যনা ইম্ফাল ইন্টরনেস্নেল এয়ারপোর্টতা থুংলবগা বি জে পি মনিপুর প্রদেশকী লুচিংবশিংনা তরাম্না ওকখি। হোটেল ক্লাসিক্তা থুংলবা মতুংদা নুংথিলদা চিফ মিনিষ্টর বঙ্গলোদা মরক্কী মীখল পাংথোক্কদৌরিবা কেন্দ্রশিংগী ইলেক্সন ইন চার্জ, কো ইন চার্জশিং এজেন্টশিং য়াওনা মীফম পাংথোকখি। ৱাঙ্গোই কেন্দ্রদা বি জে পি গী মীরেপ ওইনা লম্বা থেংনরিবা ও লুখোইগী হয়েং মীখলগা মরি লৈননা পার্টিগী ফীরাল চিংখৎপগী থৌরমদা নেস্নেল জেনরেল সেক্রেটরিনা শরুক য়াগনি হায়রি।

লোইননা হয়েং নুংথিল ৱাংজিং তেস্থা কেন্দ্রদা বি জে পি গী মীরেপ পাওনম ব্রোজেনগী মীখলগী কেম্পেইন্দা শরুক য়াগনি। থা অসিগী ২৭ তা সাইতু কেন্দ্রদা বি জে পি গী মীরেপ ঙমথং হাওকিপকী মীখলগী কেম্পেইন্দা শরুক য়াগনি। লিলোং কেন্দ্রগী মীখলগী কেম্পেইন্দসু শরুক য়াগনি হায়রি।

লোৎতুনা থল্লম্বা খুৎলাই ফাগৎলে

ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ ঃ পি আই বি দিফেন্স ৱিংনা থাদোরকপা চেরোল অমদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা চত্থখিবা পুলিস য়াওবা জোইন্ট ওপরেসন অমদা ওক্তোবর ২৫ দা কাংপোকপি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা ন্যু বোলজাং ভিল্লেজ মনাক্তগী লালহৌবশিংনা লোৎতুনা থল্লম্বা খুৎলাইশিং ফাগৎপা ঙম্লে হায়রি। অকক্নবা পাউ অমা ফংবদগী পুলিস অমসুং অসাম রাইফলসকী অপুনবা জোইন্ট ওপরেসন অমা চত্থখি।

ওপরেসন অদুদা এম ১৬ রাইফলস ১, নাইন এম এম পিষ্টোল ১, কন্ত্রি মেদ রিভোলবর ১, অমদি তোঙান তোঙানবা নোংমৈশিংগী মরু ৬০ ফাগৎপা ঙমখি। ফাগৎলবা খুৎলাইশিং ন্যু কৈথেলমানবী পুলিস ষ্টেসন্দা আইনগী ওইবা থবক লৌখৎনবা খুৎশিন্নখ্রে হায়রি। নাকল অমরোমদা বিষ্ণুপুর কম্মান্দো য়ুনিট টিম অমনা ঙসি অয়ুক পুং ১১.৪৫ রোম তাবদা নরান সৈনাগী ইরৈমা স্কুল মনাক টিদিম লম্বীদগী সোকহোলেন তৌথাং চহি ৩৭ অপোকপা সৈলেত তৌথাং কৌবা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী লৈশান ভিল্লেজদগী মীওই ১ ওপিয়ম কে জি ৬ কা কোন্ননা ফাগৎলে।

ওপিয়ম অসি মরুটি সেলেরো কার রেজিষ্ট্রেসন নম্বর এম এল ও ৫৬১৯৩ দা হাপ্লগা পুরকখিবনি। ফাগৎলবা মীওই ওপিয়ম অমদি গারি মখা তাবা আইনগী থবক লৌখৎনবা মোইরাং পুলিস ষ্টেসন্দা খুৎশিন্নখ্রে। হিরম অসিদা মোইরাং পুলিসনা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে হায়রি।

জেদ য়ু এফ মশেল খুৎ থোক্লখিবা য়ানিংদবা ফোংলক্লি

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ ঃ হৌখিবা ওক্তোবর ২৩ গী নুমিদাংদা লোংমাই দিষ্ট্রিক্টকী শৌবুলোং ভিল্লেজদা জেলিয়াংরোং য়ুনাইটেদ ফ্রন্টকী কাংলুপ অনিগী মরক্তা খুৎ থোক্লবদা মমল য়াম্লবা নহা অনি শিখিবা থৌদোক অদুবু রোংমৈ নাগা য়ুথ ওর্গনাইজেসন্না অকনবা মওংদা কন্দেম তৌরক্লি। আর এন ৱাই ওগী মেদিয়া সেলনা থাদোরকপা চেরোল অমদা ওর্গনাইজেসন অসিনা ওক্তোবর ২৪ দা অথুবা কন্সলটেটিব মীফম অমা পাংথোক্লগা ওক্তোবর ২৩ দা মীওই অনি হাৎখিবগী থৌদোক অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখ্রে।

থৌদোক অসি পাংদবা অমদি থাজবা মাংহনবগী থৌওংনি। এন এস সি এন য়ুনিফিকেসন ফেক্সনগী থবক থৌরমশিংদি নাগালেন্দদা লৈবা নাগাশিং খক্কী ইন্টরেষ্ট য়েংলগা পাংথোকপনি। অদুবু এন এস সি এন (য়ু) দা য়াওবা রাইটু অমসুং কামশোন অনিনা লুচিংবা গেং অমনা মনিপুরদা চংশিল্লক্তুনা মীয়াম মরক্তা ৱাথোক লাম্হোক থোকহন্দুনা সিজ ফয়ার গ্রাউন্দ রুল থুগায়বগী থবক চত্থরক্লি। থৌওং অসি মনিপুরগী মীয়াম মরু ওইনা রোংমৈ মীয়ামদা অতম্না অকিবা পিবগী থৌওংনি।

ওক্তোবর ২৩ গী মীহাৎ অসিসু গেং কাংবু অসিগী পান্দম অমগী মখাদা চত্থরকপা চাওখৎতবা মীনুংশি লৈতবা মীহাৎনি। জেদ য়ু এফ তগী চেন্থোকখ্রগা এন এস সি এন (য়ু) দা পুনশিনখ্রবা মীওই খরনা অমুক মনিপুরদা জেদ য়ু এফ কী মচেৎ তাবা কাংবু অমনি হায়না শক তাক্লগা মখোয়না অনিংবা অপাম্বা মওংদা মীহাৎ মীপুন কয়া চত্থরক্লি। অসিগুম্বা থৌওং অসি থিংনবা জেলিয়াংরোং মীয়াম্না চপ চাবা পাউখুম পিফম থোক্লে হায়রি।

জেনিমসকী কেজুয়েলিতি হাংখ্রে

ইম্ফাল, ওক্তোবর ২৫ ঃ জেনিমসকী দোক্তর য়াওনা হেল্ঠ কেয়র ষ্টাফ ১২৭ কোভিদ ১৯ পোজিটিব ওইরকপদগী ওক্তোবর ২২ গী অয়ুক পুং ৮ দগী হোস্পিটাল অসিদা কেজুয়েলতি য়াওনা ও পি দি পুম্নমক থিংদুনা অনা লায়েংগী থবকশিং লেপ্তুনা লাকখিবদু ঙসি অয়ুক পুং ৯ দগী হোস্পিটাল অসিগী কেজুয়েলিটি হাংদুনা মহৌশাগুম্না লায়েংবা হৌখ্রে।

হোস্পিটাল অসিদগী ফংবা পাউ মতুং ইন্না অহানবগী ওইনা ঙসিদগী কেজুয়েলিটি হাংদুনা খুদক্কী ওইবা অনা অয়েকশিং লায়েংবগী থবক হৌরে। অদুবু ও পি দি নচিংবা হাংবদদি মতম খরা চংখিগনি। পোজিটিব ওইখিবা দোক্তরশিং, নর্স অমদি সপ্পোর্ট ষ্টাফশিং নেগেটিব ওইদুনা মীয়ামগা শোক্ল শম্নবা য়াবগী ফিভম য়ৌদ্রি ফাওবদি মহৌশাগুম্না হোস্পিটাল অসি হাংদোকপদা খুদোংচাদবা মায়োক্নখিগনি । হোস্পিটাল থিংলিঙৈ মনুং ৱার্দশিং হোস্টেল য়াওনা ও পি দি গী মফম পুম্নমক সেনিটাইজ তৌখি হায়রি।

গ্যাসকী পাউ

K & K INDANE, Tera bazar
Bk: **9/9/20** V/f **5/9/20** (SL No. 100 A & B)
Gas booking counter open at Tera Bazar office (7.30 a.m to 11 a.m.)

MISAO GAS SERVICE (Home Delivery Only)
Bk: **10/10/20** V/f **17/9/20** (14.2 kg & 19 kg available)
Contact No. **7085738631, 8119967523**
Call timing (8.00 a.m. to 2.00 p.m.)

MANIPUR GAS, Sangakpham (Home Delivery Only)
Bk: **25/9/20** V/f **3/9/20** (7.30 a.m. to 12 noon)
(Delivery after 4 days)
Contact No. **8730954041, 8259969582,**

POROMPAT INDANE (Home delivery within 3 days)
Bk/ Upto: **15/7/20** V/f **2/7/20** (Payment at counter)
Quaries Contact No. **9366184547** (8.00 a.m. to 10.00 a.m.)

কাদানা শিন্দুনা ককচিং খুনৌ কম্যুনিতি হোলদা এৱারনেস প্রোগ্রাম পাংথোকখিবা

পেট্রিওটিক রাইটস ফোরম মনিপুরনা লিটরেরি এৱার্দশিং য়েন্থোকখিবা

বিষ্ণুপুর পুলিসনা কানি কে জি ৬ কা কোন্ননা ফারবা মীওই অমা পুথোকখিবা